# এন্টি লোকদাউন প্রোটেষ্টরশিং কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা দটচ পুলিসনা ৱার্নিং শোট কয়া কাপখ্রে



রোটরদাম, নভেম্বর ২০ (এজেন্সী) : নেদরলেন্দসদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অমুক হন্না শন্দারকখিবা অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী মফম খরদা অমুক হন্না লোকদাউন থমজিনখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা য়াল্লবা মীওইশিং থোরক্তুনা খোঙজং চঙশিনখ্রে। মীয়ামগী খোঙজং অদুবু কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা দচ পুলিসনা ৱার্নিং শোট কয়া কাপখ্রে। থৌদোক অদুদা খোঙজংলোয় খরা অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুং রোটরদামদা কোভিদকা মরী লৈননা লোকদাউন থমজিনখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিনখিবা মীওইশিংনা পুলিস কার অমা অমাঙ অতা থোকহনবগা লোয়ননা পুলিস তম্না নুঙ অমদি চেকতুম্নচিংবা কয়া লংশিনবা হৌরকখি। মীয়াম্না চথুরকখিবা কা হেনবা থৌওংশিং অদুবু কন্ত্রোল তৌনবা হোৎনবদা পুলিসনা তঙায়ফন্দনা ৱার্নিং শোটশিং কাপখিবনি হায়রি।

ৱেষ্টর্ন য়ুরোপতা লৈবা লৈবাকশিংগী মনুংদা কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা লোকদাউন থমজিল্লকখিবা অসি নেদরলেন্দসনা অহানবা লৈবাক ওইরি। লৈঙাক্কী ওইবা থৌওং অদুবু মীয়াম্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। য়ুরোপ কন্ত্রি খরদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অমুক হন্না শন্দোকপা হৌরকখ্রবা মতুং নেদরলেন্দসনা লৈবাক অদুগী শরুক খরদা লোকদাউন থমজিন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি। লৈঙাক্না থল্লিবা লোকদাউন অসি কোভিদ-১৯ ভেক্সিন ফুল দোজ কাপ্পবশিংগী ওইনদি কোমথোক্লি। অদুগা ভেক্সিন কাপত্রিবা মীওইশিংগী ওইনা অথিংবা খরা অসি থমজিল্লকখিবনি।

লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পগী খোঙজেল অসি য়াম্না তপ্লি। মীয়াম্নসু ভেক্সিন কাপ্পনা লায়না অসিদগী কনবা ঙম্লোই অমদি মসিনা সাইদ ইফেক্ট কয়া হকচাংদা থোকহন্দুনা হেন্না খুদোংথিনিঙাই ওই হায়না খনবগদগী ভেক্সিন কাপ্পগী চাং য়াম্না হন্থরি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ভেক্সিনেসনগী মতাংদা এৱারনেস প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকখ্রবসু মায় পাকপা ঙমদ্রি। অমরোমদা মীয়ামগী কা হেনবা থৌওং অদুবু রোটরদামগী মেয়র অহমদনা কন্দেম তৌরক্লি।

# ইরাকনা ফাইজর কোভিদ ভেক্সিন দোজ মিলিয়ন ১.২ ফংখ্রে

বাগদাদ, নভেম্বর ২০ (এজেন্সী) : ইরাক্তা কোভিদ-১৯গী ৪শুবা ৱেভ লাকহন্দনবা পায়খৎলকপা চেকশিন থৌরাংগী মনুং চন্না লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীওইশিং কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্লবা থবক খোঙজেল য়াঙনা পায়খৎলকখিবগা লোয়ননা কোভেক্স শ্যেরিং স্কিমগী মখাদা ইরাক্না ঙসি ফাইজর-বাইওএন টেক কোভিদ-১৯ ভেক্সিন মিলিয়ন দোজ ১.২ ফংখ্রে হায়রি।

লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মীওই মিলিয়ন ৭ লোম কোভিদ-১৯গী অহানবা দোজ কাপখ্রে। লৈবাক অসিগী অপূনবা মীশীংগী মতুংইন্না হৌজিক ফাওবদা চাদা মীওই ১৭.৫দগী হেন্না কোভিদ ভেক্সিন কাপত্রি। লেমহৌরিবশিং অদু অথুবা মতমদা ভেক্সিন কাপথোক্নবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না হোৎনরি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা, ঙসি লৈবাক অসিদা থুংলরিবা ফাইজর ভেক্সিন দোজ অসিগী মথক্তা অহেনবা দোজশিং পীরক্লবা য়ুনাইটেদ নেসন্সতা হায়জখ্রে হায়রি।

# কালিফোর্নিয়া ৱাইল্ডফয়রনা চহী অসিদা জাইন্ট সেক্কা কয়া শিহনখ্রে



লোস এঞ্জেলেস, নভেম্বর ২০ (এজেন্সী) : হন্দক চহীগী ওইনা কালিফোর্নিয়াদা চাকখিবা ৱাইল্ডফয়রনা মরম ওইরগা জাইন্ট সেক্কা পাম্বী লিশিং কয়া শিহনখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা অতাংবা মখলগী উপাম্বী অসি কলহৌনবা হোৎনবদা খুদিংমক্কা অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নবা মথৌ তাই হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবদা, ৱাইল্ডফয়রনা মরম ওইরগা চহী অসিদা অচৌবা উ পাম্বী মখল অসি মশিং ৩,৬০০ হেন্না চাকখি। হায়রিবশিং অসিগী মনুংদা উ পাম্বী খরদি হান্ননা শিখ্রে। অদুগা খরা অমনা লাক্লিবা চহী ৫ গী মনুংদা শিরবা য়াবগী ফিভমদা লৈরি। মৈনা চাকখ্রবা উ পাম্বী অয়াম্বা ফিট ৪ গী দাইমেটরগী চাংদা চাওরবা ঙাক্তনি।

মালেমগী ওইনা অতাংবা উ পাম্বী মখলশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা জাইন্ট সেক্কা পাম্বীশিং অসি চহী খুদিংগী মশিং হন্থরক্লি। মমাং চহীদা উ পাম্বী মখল অসিগী হান্না লৈরম্বা মশিংদগী চাদা ১৪ গী চাংদা হন্থখি। হন্দক চহীগী ওইনা চপ চাবা রিপোর্ট অমা লৈত্রবসু মমাং চহীদগী হন্দক চহীদা হন্থখিবা মশিংদা চাদা ২০ গী চাংদা হেনগনি হায়না থাজনরি।

মালেমদা খ্বাইদগী চাওবা উ পাম্বী মখল অমা ওইরিবা জাইন্ট সেক্কা অসিগী মহুৎ শিনবা য়াবা পাম্বী অমত্তা লৈত্রি। মরম অদুনা উ পাম্বী মখল অসি কলহৌনবা অমত্তা ওইনা হোৎনমিন্নবা মথৌ তাই হায়না সেক্কা এন্দ কিঙ্স কেনিয়ন নেসনেল পার্কগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ক্লে জোরদাননা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, কালিফোর্নিয়া অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী নোংচুপ থংবা শরুকশিংদা কা হেন্না শাগৎলকপদগী খঙহৌদনা লাম্মৈ চাকপগী থৌদোকশিং থোক্লি। মসিনা মরম ওইরগা অতাংবা উ পাম্বী মখলশিং অমদি মুৎখিবা য়াবগী অকিবা লৈরবা লম্লক্কী শা উচেক কয়া শিহল্লি হায়রি।

# অফঘান লৌমী কয়া ঈকংনা মরম ওইরগা অৱাফমদা তাহল্লে

ন্যু য়োর্ক, নভেম্বর ২০ (এজেন্সী) : অফঘানিষ্টানদা চহী দিকেদ অনীরোম লৈবাক মনুংগী ওইবা লালনা মরম ওইরগা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা লৈরিঙৈ মরক অসিদা ঈকং থোক্লকপদগী লৈবাক অদুগী মীয়াম মরুওইনা লৌমীশিং চৈথেং কয়া ফংখিবগা লোয়ননা মকোক্তা মখূৎ হাপ্লদুনা লৈরে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্স ফূদ এন্দ এগ্রিকলচরেল ওর্গনাইজেসননা ফোঙদোরক্লি।

ওর্গনাইজেসন অসিনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না চহী অসিগী ওগষ্ট থাদা চহী ২০ লোম শোক্লদুনা লাকখিবা লাল লোইশিনখ্রবা মতুং টালিবানগী ওইবা অনৌবা লৈঙাক অমা লাকখ্রে। অনৌবা লৈঙাক অমা লাক্লবসু মতম শাংনা চথুরকখিবা লালনা মরম ওইরগা ইকনমিগী ফীভম কা-হেন্না শোকহনখিবদগী খূদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। মসিদা নৎতনা মালেমগী লৈবাক খূদিংমক্তা চৈথেং পীরিবা কোভিদ-১৯গী অৱাবসু লৈবাক অসিগী মীয়াম্না থেংনরি। অৱাবা ময়ামগী মরক্তা ঈকংনা মরম ওইরগা অমুক্কা হেন্না লৈবাক অসিগী লৌমীশিংদা চৈথেং পীরে হায়না এফ এ ওগী রিপ্রজেন্টটিভ ওইনা অফঘানিষ্টানদা লৈরিবা রিচার্দ ট্রেন্দচার্দনা ফোঙদোরক্লি। লৌমীশিংনা মখোয়গী লম থাদোক্তুনা চৎপা পামদ্রি। অদুবু চানবা পোৎলমশিং লৈশিল্লক্তবনা মরম ওইরগা তঙাইফদনা অতোপ্পা মফমশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈবগী ফীভমদা লাক্লি।

# গল্ফ রিজন্দা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা দিজল স্মগল তৌনবা হোৎনরম্বা বোট অমা ক্রু মেম্বর ১১ গা কোন্ননা ফারে

টেহরান, নভেম্বর ২০ (এজেন্সী) : ইরান রিভোলুসনরি গার্দনা ঙসি গল্ফ রিজনদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা দিজল স্মগল তৌনবা হোৎনরম্বা বোট অমা অমদি মদুদা তোংলকখিবা ফোরেন ক্রু মেম্বর ১১ ফারে হায়না মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

রিভোলুসনরি গার্দকী কোলোনেল অহমদ হাজিয়াননা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী নেভি ইন্টলিজেন্সকী হৈ শিংবনা মরম ওইরগা নারোলদা দিজল লৌনবা হোৎনরম্বা বোট অদু ফাবা ঙমখিবনি। মরম অদুনা নেভি ইন্টলিজেন্স সর্ভিসপু থাগৎপা ফোঙদোক্লি। মতুং তারকপদসু নেভি ইন্টলিজেন্সনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকপা য়াবা অমদি অতোপ্পা থ্রেটশিংদগী ঙাকথোক্লবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।



কোলোনেল অসিনা লৈবাক অদুগী নেভিবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রবসু বোট অদু মতৌ করম্না অমদি করি নুমিত্তা ফাখিবনো হায়বগী মতাংদদি মীয়াম খঙনা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। মসিদা নত্তনা মখোয়না ফারে হায়রিবা ক্রু মেম্বরশিং অদু করম্বা নেসনলনো হায়বগী মতাংদসু রিভোলুসনরি গার্দনা খঙহল্লকপা লৈত্রি। অমদি বোট অদু করম্বা লৈবাক্কীনো হায়বসু মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহল্লকপা লৈত্রি হায়রি।

গল্ফ রিজনদা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা ক্রুইদ ওইল স্মগল তৌবগী থৌদোকশিং মতম কয়াগী মমাংদগী য়াম্না তোয়না থোক্তুনা লাক্লি। মসি থিংনবা মরী লৈনবা লৈবাকশিংনা থবকশিং পায়খৎলে হায়না কয়ারক হন্না ফোঙদোকখ্রবসু ঙসি ফাওবদা ক্রুদ ওইল স্মগল তৌবগী থবক থিংবা ঙমদ্রি।

# ঙমখৈগী মতাংদা উংখৎনরিবশিং লোইশিন্নবা হ্বাইট হাউসনা খঙহনখ্রে

ৱাশিংটন, নভেম্বর ২০ (এজেন্সী) : রসিয়া অমসুং য়ুক্রেনগী লোন্নবা ঙমখৈগী শরুকশিংদা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোক্লিবা অদু লোইশিন্নবা হ্বাইট হাউসনা রসিয়াদা তকশিনখিবগা লোয়ননা পোলিটিকেলগী থাক্তা ৱারী শাদুনা নাকল অনীগী মরক্তা ৱারোইশিন পুরক্লবসু খঙহল্লক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোকখিবদা, রসিয়ন মিলিটরিনা য়ুক্রেনগা তায়নবা ঙমখৈগী শরুক্তা চথুরিবা কা-হেনবা থৌওংশিং অসিনা মরম ওইরগা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকহল্লকপনি। মোস্কোনা ঙমখৈগী শরুক্তা মিলিটরি দ্রিল কয়া পাঙথোক্লিবা অদু লেপ্তুনা পোলিটিকেলগী থাক্তা ৱারী শানবা হোৎনবনা হেন্না ফবা খোঙথাং ওইগনি।

রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ভ্লাদিমির পুটিননসু হৌখিবা শগোলশেন নুমীৎতা মহাক্কী লান্মীশিংনা ঙমখৈগী শরুক্তা কা-হেনবা থবক থৌওংশিং চথুহল্লোই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অদুবু ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওন্থোকপা লৈত্রি। রসিয়া অমসুং য়ুক্রেন অনীগী মরক্তা কিলোমিটর ১,৯৪৪ শাংবা ঙমখৈগী শরুক লৈরি। মফম অসিদা রসিয়ন মিলিটরিগী অহেনবা থৌওংনা মরম ওইরগা য়ুক্রেননসু খূৎলায় পায়রকপা য়াবগী ফীভমদা লাক্লে। লৈবাক অনীগী মরক্তা অচৌবা লাঞ্জাও থোক্লক্ত্রিঙৈদা মোস্কোনা মখোয়গী থৌওং লেপকদবনি।

# ঈচাওনা অকনবা চৈথেং পীখ্রবা মতুং মীয়াম্না মরম লৈতনা গাড়ী থৌদনবা খঙহনখ্রে



মোন্ত্রিল, নভেম্বর ২০ (এজেন্সী) : কনাদাগী বৃটিশ কলম্বিয়া প্রোভিন্সতা অকনবা নোংনা মরম ওইরগা থোকহনখিবা ঈশিং ঈচাও অমদি চীং নীংখায়বগী থৌদোক্লা অকনবা চৈথেং পীখ্রবা মতুং প্রোভিন্স অদুদা থাউগী প্রদক্টশিং য়াওনা অতোপ্পা পোৎ চৈশিংগী সপ্লাই লৈরক্তবনা মরম ওইরগা মীয়াম্না মরম চাদনা গাড়ী থৌদনবা অমদি নোংমগী ওইনা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিং য়াম্না চেকশিন্না শিজিন্ননবা মরী লৈনবশিংনা খঙহল্লক্লি।

হৌখিবা নোংমাইজিং অমদি নিংথৌকাবা নুমিত্তা প্রোভিন্স অদুদা অকনবা নোং লেপ্তুনা চুবদগী ঈচাও অমদি চীং নংখায়বগী থৌদোকশিং থোকখিবনি। মদুনা মরম ওইরগা প্রোভিন্স অদুগী মরুওইবা লম্বী কয়া চৎপা য়াহনখিবদগা লোয়ননা অতোপ্পা প্রোভিন্সকা বৃটিশ কলম্বিয়া প্রোভিন্সকা পাউ ফাওনদনা লাকখিবনি। হৌজিকসু মফম অসিদা ঈচাওগী ফিভম হান্নদগী কা হেন্না হন্থবা ওইদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা নোংমগী ওইনা চংদবা য়াদ্রবা পোৎলমশিংগী সপ্লাই লৈশিল্লক্তবনা মরম ওইরগা মীয়াম্না লৈরিবা খরা অসি য়াম্না হৈ শিংনা শিজিন্ননবা খঙহল্লকখিবনি।

পনবা য়াবদি লৈবাক অসিগী অতোপ্পা প্রোভিন্সশিংদসু অকনবা নোং চুরবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না ষ্টেট মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীয়াম্না য়াম্না চেকশিন্না লৈনবা খঙহনখিবা লৈখ্রে। রেস্ক্যু ৱার্করশিংনসু ঈচাওনা চৈথেং পীখ্রবা মফমশিংদা মী কনবগী থবক কন্না চথুরি। মিলিটরিনসু মী কনবগী থবক্তা মতেং পাংবা হৌখ্রে।

# ফাজিন্দুনা থল্লিবা জর্নেলিষ্টকী মতাংদা য়ু এননা ফোঙদোকখিবা ৱাফম চাইনানা পেন্দবা ফোঙদোকখ্রে

জেনেভা, নভেম্বর ২০ (এজেন্সী) : কোভিদ-১৯গা মরী লৈননা পাউ ফোঙলুবগীদমক চাইনিজ ওথোরিটিনা ফাজিন্দুনা থল্লিবী লৈবাক অদুগী নুপী জর্নেলিষ্ট অদুবু য়ু এননা থাদোক্লবা খঙহনখিবগা লোয়ননা চাইনিজ ওথোরিটিগী থৌওং অদুগী মতাংদা য়ানিংদবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখিবগী থৌওং অদুবু চাইনানা পেন্দবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা য়ু এননা চাইনিজ ওথোরিটিনা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা খঙদনা ৱা ঙাংবা তৌরোইদবনি হায়খ্রে।

য়ুনাইটেদ নেসন্স হ্যুমেন রাইটসতা চাইনিজ মিসননা ফোঙদোকখিবদা, য়ু এননা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদু থৌদাং য়াওদবা অমদি ৱাখল খন্থদবগী মওংনি। জর্নেলিষ্ট নুপী অদুনা কোভিদ-১৯গী মতাংদা ফোঙখিবা পাউ অদু লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটিদা চাওনা শীংনবা ওইবনা তঙাইফদনা মহাকপু ফাজিনখিবনি।

চাইনিজ ওথোরিটিনা পায়খৎলিবা থবক অসি অতোপ্পা লৈবাক্কী ওথোরিটিশিংনসু শুংশোয় শোয়দনা পায়খৎলক্কনি। লৈবাক অমগী সিক্যুরিটি অমদি সোভরেনিটদা শীংনরকপা খূদিংমক ফাজিনবগী রাইট লৈবাক-লৈবাকশিংদা লৈ। মদুগী মতুংইন্না চাইনিজ ওথোরিটিনা লৈবাক অদুগী সিক্যুরিটিদা শীংনরকখিবা জর্নেলিষ্ট ঝাং ঝানবু ফাজিন্দুনা থমখিবনি।

পনবা য়াবদি, ঝাং মমাং চহীগী মে থাদা চাইনিজ ওথোরিটিনা ফাজিনখ্রবা মতুং চহী অদুমক্কী দিসেম্বর থাদা কোর্ট অমনা চহী ৪গী ফাদোক পীখিবনি। চাইনিজ ওথোরিটিনা মঙোন্দা শীরিবা মরাল অদু য়ানিংদে হায়দুনা নুপী জর্নেলিষ্ট অসিনা জেল মনুংদা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখ্রবা মতুং য়ু এননা মহাকপু থাদোক্লবা চাইনিজ ওথোরিটিদা তকশিল্লকখিবনি।

# টেহরাননা ন্যুক্লিয়র দিলদা হল্লকপা পামদ্রি





মানামা, নভেম্বর ২০ (এজেন্সী) : ইরানদা য়ু এস এনভোয় ওইনা লৈরিবা রোবর্ট মালেনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না ইরাননা হৌখিবা কুমজা ২০১৫ দা তৌনখিবা ন্যুকিলয়র দিল অদুদা অমুক হল্লকপা পামদ্রি। অদুবু মখোয়গী অরানবা কুপশিন্নবা হোৎনবদা য়ু এসপু দিল অসিগী মতাংদা মালেমগী মীয়াম মমাংদা লান্না উহন্নবা হোৎনরি। করিগুম্বা ইরাননা ন্যুক্লিয়র দিলদা অমুক হল্লকপা পাল্লবদি য়ুরেনিয়ম প্রদক্ট কা হেন্না পুথোকপগী থবক তৌরম্লোইদবনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ন্যুক্লিয়র দিল অসি রিভাইব তৌনবা হোৎনবগী মীংদা ইরাননা অহেনবা থবক কয়া পায়খৎলক্লি। ৱাশিংটননা টেহরানগী মথক্তা থমখিবা অথিংবশিং অদু হান্না লৌথোক্কদবনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদু খন্নরি। অদুবু মরক অসিদা ইরাননা য়ুরেনিয়ম প্রদক্টকী চাং হেন্না পুথোরকপা অসিনা মরম ওইরগা ৱাশিংটননা অথিংবশিং লৌথোক্লবা খন্নরম্বা ৱাফম অদুদা চয়েৎনবশিং পোকহল্লে। য়ু এসকী ওইনদি ন্যুক্লিয়র দিল অদুদা হল্লক্তুনা ঈং তপ্পা মালেম অমা ওইহন্নবা হোৎনবদা অঙম্বা মতেং পাংগনি অমদি মসি য়ু এসকী অপাম্বনি হায়না ফোঙদোকপসু লৈখ্রে।

ৱাশিংটননা ইরানগী মথক্তা অথিংবা কয়া থল্লি। মসি ন্যুক্লিয়র দিলগা মরী লৈনদবা কয়া অমসু য়াওরি। ইরাননা লালহৌবশিংদা অচৌবা শেন্থংশিং পীবা অমদি চঙজফম পীরিবা অদুগী মায়োক্তসু অথিংবা কয়া টেহরানগী মথক্তা থল্লি। লৈবাক অসিগী মকোক থোংবা লুচিংবা খরগী মথক্তা হৌজিকসু অথিংবশিং থল্লি। মসি লৌথোক্লবা হোৎনবা মতমদা টেহরাননা টেরর ফন্দিং লেপ্পা মথৌ তাই হায়রি।

থাগৎপা / অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা নাবা, অমাংথোঙদা চাওনা পোমথোরকপা, অমাংথোঙদগী মচুম তারকপা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, চাবা তুমদবা, হকচাংথোঙদা হাক্কৎচবা, হকচাংথোঙদা চাওথোক্লগা নাবা, ফিঙৌগুম্না মনম নমথিবা চৎপা, অমাংথোঙ মনুংদা অপোম্বা লৈবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, চিকপা অদুনা মরম ওসদুনা অহিং তুম্বা ফাওবা য়াদবা, চিকপা অদু ফনবা বেটাদিন লিক্কিদকা ঈশিং অশাবগা য়ানশিন্নরগা ফম্বা মতমদা ঙাইহাক ফরম্লগা অমুক চিকপা হৌরকপা, ঈশিং অশাবা ফম্মন্দনা অমাংথোঙদা নুংঙাইরক্তবা, অমাংথোঙদা চাওনা পোমথোরকপা, অমাংথোঙদগী মচুম তারকপা, খোঙ্গ্রাও অঙৌবা শেংপা য়াদবা মচুম তারকপা অদুনা চুবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবনা মরম ওইদুনা লাপ্পা চৎপদা য়াম্না নুংঙাইতবা, অমাংথোঙদা নুংশিং তোয়না-তোয়না চৎপা, চাবা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবসু পোক্তবা, হকচাংথোঙদা হাক্কৎচবা, হকচাংথোঙদা চাওথোক্লগা নাবা, ফিঙৌগুম্না মনম নমথিবা চৎপা, অমাংথোঙ মনুংদা অপোম্বসু লৈবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা, নময়াঙ মরিন্দা নাবা, শয়েং অনীমক নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা

**Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam**

☎ **8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম : 1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবী :* **Ksh. Chorjini Devi**
Wangoi Bazar

HL-B/7236/21

# জপানগী ঈশিং ঙমখৈ শরুক্তা চাইনিজ ভেসেল অমা চঙশিল্লকপা থেংনবদগী ৱার্নিং তৌখ্রে : মিনিষ্ট্রি

টোকিও, নভেম্বর ২০ (এজেন্সী) : চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা জপানগী ঈশিং ঙমখৈগী শরুক্তা চাইনিজ নেভেল অমা চঙশিল্লকপা থেংনখিবা লোয়ননা ভেসেল অদু খুদক্তা হন্দোকখিনবা জপানগী মায়কৈদগী ৱার্নিং তৌখি অমদি হিরম অসিগী মতাংদা চাইনিজ ওথোরিটিদা খঙহনখ্রে হায়রি।

চাইনিজ সর্ভে শিপ অদু হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা জপানগী মেরিটাইম সেল্ফ-দিফেন্স ফোর্স পেট্রোল প্লেন অমনা থেংনরকখিবনি। খুদক্তা মেরিটাইম ফোর্সনা ভেসেল অদু লেপ্লবা খঙহনখিবগা লোয়ননা মফম অদুদগী হন্দাকখিনবা খঙহনখিবনি। চাইনিজ ভেসেল অদুনা ৱার্নিং পীরবা মতুং ইকাইখুম্নবা উত্তুনা মফম অদুদগী হন্দোকখিবা অদুবু জপাননা থাগৎপা ফোঙদোকই। অদুম ওইনমক ঙমখৈগী শরুক্তা ইল্লিগেল ওইবা মওংদা চঙশিন্নবা হোৎনরমখিবগী থৌওং অদুদি জপাননা কন্দেম তৌই। থৌদোক অসি মখা তানা থোকহন্দনবা মরী লৈনবা চাইনিজ ওথোরিটিদা খঙহনখ্রে হায়রি।

হৌখিবা থা খরা অসিদা চাইনানা সাউথ চাইনা সীগী শরুকশিংদা মেরিটাইমগী ওইবা থবক থৌরম কয়া পায়খৎলক্লি। হৌখিবা ইরাই নুমিত্তসু চাইনিজ কোষ্ট গার্দ শিপ ৪ জপানগী ঙমখৈ শরুক মনাক নক্লা থৌজিল্লকপা থেংনখি। মমাং চহীগী ওক্টোবর থাদা জপানগী ঈশিং ঙমখৈ শরুক্তা চাইনিজ ভেসেলশিংনা চঙলকখিবা অদুগী মতুং হন্দক চঙলক্লিবা অসিনা অহানবনি।



চাইনিজ ভেসেলশিংনা চথরক্লিবা থৌওংশিং অদুবু জপাননা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা চাইনাগী থৌওং অসি ইন্টরনেসনেল লোগী মায়োক্তনি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি জপাননা য়াবা ঙম্লোই। মতুং তাবদা চাইনানা অসিগুম্বা থৌওংশিং অসি অমুক হন্না থোকহল্লোই হায়বগী থাজবা পীগদবনি। নৎত্রবদি লৈবাক অনীগী মরক্তা লৈনরিবা মরীগী ফিভম শোকচিল্লকপা য়াই হায়রি।

# টি পি এল এফ থিংনবা থবক পায়খৎমিন্নগদবনি

অদিস অবাবা, নভেম্বর ২০ (এজেন্সী) : ইথিওপিয়াগী টিগ্রে রিজনদা গভর্ণমেন্ট ফোর্স অমদি টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্টকী মেম্বরশিংগা থা ৬ লোম লাল তৌনদুনা লাকখ্রবা মতুং রিজন অসিদগী গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং হন্দাকখিবগা লোয়ননা টি পি এল এফনা টিগ্রে রিজন মপূং ফানা কন্ট্রোল তৌখ্রে।

হৌজিক-হৌজিক টি পি এল এফনা মখা তানা লৈবাক অসিগী কোনুং অদিস অবাবা তম্না চঙশিল্লক্লবা হোৎনরি। অদিস অবাবাদা লৈরিবা মীয়াম অমদি লৈবাক অদুগী অতোপ্পা রিজনশিংদা লৈরিবা খূদিংমক্না গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগা খূৎশম্নরগা থিংনবা হোৎনগদবনি। করিগুম্বা টি পি এল এফনা কেপিটেল অসিদা চঙশিনবা হৌরক্লবদি মীশি-মীনা কয়া থোক্লবা য়াবগী ওইথোকপা লৈ হায়না গভর্ণমেন্টকী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

ADMISSION OPEN

PHOENIX ENGLISH COACHING

FOR CLASSES X (BOSEM) & XII (COUNCIL)

KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, LAIMAYUM LEIRAK

Detailed explanation of every lesson

Complete discussion of exam-related questions

Free supply of printed questions and answers

Weekly exam-oriented tests.

Nowhere can you find such English coaching class.

CLASS COMMENCING SHORTLY. GET YOURSELF ADMITTED. SEATS ARE LIMITED.

6 TO 7:30 AM & 5:30 TO 7 PM

PLEASE CONTACT 8974642764

HL-B/7261/2/11-2/12